# বেঙ্গলোরদা মহৈরোই রিচার্দ হাংখিবগী ব্রাথোক লোইদ্রিঙৈ থাংমৈবন্দদগী অমসু শিরে

*থৌদাং পাউমীদগী*

*ইম্ফাল, মে ৪ঃ* হৌখিবা এপ্রিল ১৮ দা উরিপোক য়ান্নেম লৈকায়দগী বেঙ্গলোরদা আর্কিটেক তম্বা মহৈরোই রিচার্দ লোইতাম (১৯) লৈখিদবগী ব্রাথোক লোইদ্রিঙৈদা ঙরাং অতোপ্পা মহৈরোই অমসু শিরে। ইমুং-মনুংনদি মীশি অদু চিংনৈ। সরকারনা কুপ্না থিগৎপীদুনা অচুম্বা পুথোকহন্নিংলি।

ঙরাং লৈখিদ্রবা মহৈরোই অদুগী মমিং হৈস্নাম জেকিও এলাইজ নাওবা (২৪)অপোকপা হৈস্নাম চাওবা কৌই, থাংমৈবন্দ পোলেম লৈকায়দগীনি। বেঙ্গলোরগী চন্দ্রপুরাদা লৈবা বেঙ্গলোর কলেজ ওফ ইঞ্জিনিয়ারিংদা বিই থার্দ ইয়ার তম্লিবা মহৈরোইনি। মহাক বেঙ্গলোরগী মাইকে লে আউটকী এসজি পালিয়াদা লৈবা ভারাগী কাদা থৌরি য়ান্দুনা শিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা জেকিওগী অপোকপা চাওবনা 'নহারোলগী থৌদাং' দা হায় জেকিও অসি থৌরি য়াল্লন্নদগী হোস্পিতালদা পুবদা কনবা ঙমখিদ্রে হায়দুনা মহাক্না ফ্লেট অমত্তদা লৈমিন্নবা মমান্নবা অমনা নোংয়াই মতুং পুং ১.৩০ রোম তাবা মতমদা টেলিফোন্দা পাউ পীরকখি।

মহাক অসি মপা মমানা হায়বা ইনবা অঙাং অমা ওইবদা নত্তনা মতম চুপ্পদা ফাগী জুগাই তৌদুনা লৈবা অঙাং অমা ওইবনা মথন্তা শিজবগী ব্রাফম অসি থাজবা ঙমদে। মীশি অসি চিংনৈ। মরম অদুনা থৌদোক অসিগী মতাংদা অশেংবা অমা খঙহনবিবা পাম্মী হায়খি।

অমরোমদা পাউগী এজেন্সি অমা ওইরিবা ইন্দো এসিয়ান নিউজ সার্ভিসকী রিপোর্ট মতুংইন্নদি থৌদোক অদুগী পাউ ফংবদগী শগোলশেল নুমিৎকী অথেংবদা মাইকো লে আউটকী জেকিওনা লৈরিবা য়ুম অদুদা পুলিসকী নাইট পেত্রোল টিমনা চংশিল্লবদা জেকিও সিল্লিং ফেন্দা থৌরি অমনা থৌরি য়ান্দুনা লৈরমখি অমদি মহাক্না নুংশিনবনি হায়বী অর্ফিনানা কপ্পুনা লৈরমখি হায়না বেঙ্গলোর সাউথ ইষ্টকী দিপুটি কম্মিস্নার ওফ পুলিস পিএস হসানা ফোঙদোকই হায়না রিপোর্ট তৌরি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মফম অদুগী পুলিসনা ইন্দিয়ান পেনাল কোদকী সেক্সন ১৭৪ গী মখাদা অন নেচরেল দেঠকী কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে। লোয়নননা মফম অদুদা লৈবা সেন্ট জোন হোস্পিতালদা লৈরিবা অশিবা হকচাংগী পোষ্ট মোর্তেমগী রিপোর্ট ঙায়রি।

ডিসিপি পি এস হর্সানা মখা তানা হায়, মফম অদুগী উহৌবা মীওইশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না জেকিও অমদি সর্ফিনা অনি অসি থৌদোক অদু থোক্লিঙৈ নুমিদাং পুং ১১.৩০ গী মমাংদা য়াম্না কন্না চিন্দা পৌদানদুনা খৎনবগী মখোল তাখি হায়খি। সর্ফিনা (২০) হায়রিবী নুপীমচা অসি জ্যোতি নিভাস কলেজ বেঙ্গলোরদা তম্বনি অমদি তোখায় তোখায়না লৈনবনি হায়না এজেন্সি অসিনা রিপোর্ট তৌরি। অমরোমদা মহাক্না মরী লৈনৈ হায়বা সর্ফিনা অমদি মহাক্না পুন্না লৈমিন্নবা মমান্নবা অনি পুলিসনা কৌদুনা ৱাহং পাউহং চংখরি। লোয়নননা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংসু বেঙ্গলোরদা চংশিনখ্রে।

অমরোমদা বেঙ্গলোরদা লৈরিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না জেকিওগা মরী লৈনৈ হায়রিবা নুপীমচা অদুগী মমিং সেরা হাওবৈ (১৯) অপোকপা পিটর হাওরৈ কৌই লাঙ্গোল হাওসিং কমপ্লেক্স টাইপ টুদগীনি। মহাকসু বেঙ্গলোরদা লৈবা জ্যোতি নিভাস কলেজদা বিএ সেকেন্দ ইয়ার তম্বনি। মহাক্কী মমাংমক্তদা মী অমা মশা মথন্তা থৌরি য়ান্দুনা শিরগা য়েংদুনা লৈবা হায়বসি মরম চাদে। মরম অদুনা মীশি অসিগী মতাংদা অশেংবা পুথোকপীয়ু হায়না তকশিনখ্রে। লোয়নননা অশিবা হকচাং অদু হয়েং পোষ্ট মোর্তেম তৌরগনি হায়রি।